## দিল য়াওদনা ৱারী লোইশিনখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টান্দা য়ু এসনা শোক্লবা খ্বাইদগী মতম শাংলবা লান লোইশিনহনগদবা মওংদা লৈবাক অসিদগী য়ু এসকী ট্রুপশিং ৱিথড্রো তৌবা য়ানবগী পেক অমগী মতাংদা য়ু এসকী ওফিসলশিং অমসুং টালিবানগী মীহুৎশিংগী মরক্তা কটরদা চথরকখিবা পিছ টোক এগ্রীমেন্ট অমত্তা খুৎয়েক পীনবা তৌদনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইশিনখ্রে। নাকল অনীমক্না মথংগী খোঙথাংশিংগীদমক্তা মখোয়গী লুচিংবশিং তান্নখিগনি হায়রদুনা ৱারী শান্নবদু লোইশিনখিবনি হায়রি।

## সেফ জোন শেম্নবা য়েংশিল্লগনি

ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
য়ুমথংনরিবা সিরিয়াদা সেফ জোন অমা শেম্নবগী থৌরাংগী মতাংদা তাথোক-তাশিন তৌনবগী জোইন্ট ওপরেসন সেন্টর অমা লিংখৎনবগী থবক হৌনবা য়ু এসকী দেলিগেসন অমা টর্কিগী সাউদর্ন প্রোভিন্স সনলিয়ুর্ফাদা থুংলরে হায়না টর্কিস ওথোরিটিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না য়েমেনগী অদেন্দা সীজফয়ার থম্নবা আপিল তৌখ্রে



কাইরো, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না মালেম্না শকখঙলবা গভর্নমেন্টগী ফোর্সশিং অমসুং সাউদর্ন সেপরেটিষ্টশিংগী মরক্তা য়েমেনগী হিথাংফম সিটি অদেন্দা সীজফায়র অমা পুরক্লবা আপিল তৌখ্রে।
সিটি অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা নুমিৎ কয়ানি চুপ্না খুৎ থোক্লবদা মীচম কয়ামরুম শিখ্রবা তুংদা কোলিসন্না আপিল অসি তৌখিবনি। কোলিসন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা করিগুম্বা খুৎ থোক্লরিবা পার্টিশিংনা সীজফায়র অদু খোঙ্গাওনবা তারবদি ফোর্স শীজিন্নগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খিবগা লোয়ননা লোকেল মতমদা নোংয়াই মতুং পুং ১ তাবা মতমদগী সীজফায়র চৎনবা হৌনবগী ৱাফম থমখি।
সিটি অদুগী মীওইশিংনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখিবদা, নাকল অনীমক্তা ৱার্নিং পীবা ওইবা কোলিসন্না অদেনগী অৱাং থংবা শরুক্তা বোম্মিং ওপরেসন অমা পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং প্রসিদেন্ট অবদ রাব্বু মানসৌর হাদি গভর্নমেন্টকী মতিক ময়াই লৈরবা মীচং অসিনা অহেনবা মিলিটরি পাঙ্গলদি উৎখিদে।
অদুমওইনমক সীজফায়র চৎনহনবা য়ানবা অমসুং মফম অদুগী ফিভম অদু চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লদ্রিঙৈগী মমাংদা লৈরম্বা ফিভমদা হঞ্জিনহনবা য়ানবা পোলিটিকেলকী থাক্তা হোৎনরিবশিং খুমাং চাওশিলহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোক্লখি।
হন্দক্কী লান অদুদা সাউদর্ন ট্রাঞ্জিসনেল কাউন্সিলগী সপরেটিষ্টশিংনা অদেনগী মফম অয়াম্বা খুদুম চনখি। এস টি সীগী মায়কৈদগী সিটি অদুদা সীজফায়র পুরকপগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়ানা ৱারী শান্ননবা হৌদোরকখিবা অদুবু তরাম্না ওকখি।
সাউদি অরাবিয়ানা খুৎ থোক্লরিবা পার্টিশিংবু কিংদম অসিদা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা খঙহনখিবনি। তৌইগুম্বসুং মীফম অদু করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়বদুদি পনখিদে। য়েমেনি গভর্নমেন্টনসু কোলিসন্না খুৎ থিংজিল্লিবদুবু তরাম্না ওকখি। মমাংদা গভর্নমেন্ট অসিনা সাউদর্ন সপরেটিষ্টশিংবু য়েমেনগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা ক্রু অমা পাঙথোক্লবা হোৎনখি হায়না মরাল শীখিবনি।

## দে ক্যের সেন্টর মৈ চাকপদা অঙাং ৫ শিরে




ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
য়ু এসকী পেনসিলভেনিয়া ষ্টেটতা লৈবা দে ক্যের সেন্টর অমা মৈ চাকপদা য়ামদ্রবা অঙাং ৫ শিরে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
মী লৈনবা বিল্ডিং অমদা চল্লাইরিবা দে ক্যের সেন্টর মৈ চাকপগী থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিত্তা নোরদর্ন পেনসিলভেনিয়াগী পার্ক অমগী মনাক্তা তাবা ঈরি হায়না খঙনবা টাউন অমদা থোকখিবনি হায়না সীনহুৱা ন্যুজগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।
ঈরি টাউনগী ফায়র চীফ গাই সান্টোনগী মতুং ইন্না ইমুং অমগী মথোল অহুমগী য়ুম অদু খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবা মতমদা মনুংদা মীওই কয়ামরুম লৈখি। ভিক্তিমশিং অদু থা ৮ দগী চহী ৭ ফাওবগী মনুংগী অঙাংশিংনি হায়না সান্টোন্না মখা তাখি।
দে ক্যের সেন্টর অদুগী মপুনি হায়বা নুপী অমা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। সেন্টর অদু লোকেল ওথোরিটিশিংনা মথং চহী ২০২০গী মার্চফাওবগী ওইনা সাটিফাইদ তৌখি হায়না লোকেল মিদিয়া ঈরি টাইমস-ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়খি। ভলেরিক লোকেট-সিলুপকি কৌবী চহী মীয়াই হেল্লবী নুপী অমনা দে ক্যের সেন্টর মৈ চাকপদুদা মহাক্কী মশু মরি য়াওখ্রে হায়না থম্মোয় শোক্লা পাউমীশিংদা পাউদমখি। ঈরিগী মীশিং অসি ১০০,০০০ রোমনি অমসুং মদু পেনসিলভেনিয়া ষ্টেটকী মরিশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটিনি হায়রি।

## প্রোটেষ্টরশিংনা হোং কোং এয়রপোর্ট মথৌ তৌহন্দবদগী ফ্লাইট পুম্নমক কেন্সেল তৌখ্রে, বৈজিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে



হোং কোং, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
হোং কোংদা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা খংকন কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা দেমোনষ্ট্রেটর ময়াম্না সিটি অদুগী এয়রপোর্টকী এরাইভেল টর্মিনেল কন্ট্রোল তৌশিনখিবদগী এয়রপোর্ট অসিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফ্লাইট পুম্নমক কেন্সেল তৌখ্রে। চৈরকসিদা বৈজিংদা চাইনিজ ওফিসল অমনা এসিয়াগী ফাইনান্সিএল হব অদুদা টেররিজমগী খুদম-চাংদমশিং লাকপা হৌরে হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।
চাইনাগী পিপলস আর্মদ পুলিসনসু য়ুমথংনরিবা সেনঝেং সিটিদা থোমজিন্দুনা এক্সর্সাইজ পাঙথোকখ্রে হায়না গ্লোবেল টাইমস পাউচেকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
খোঙথাং অনী অসিনা হোং কোংগী এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং অদু হৌজিক অরুবা ফিভম অমদা লাক্লে হায়বসি উৎলি হায়রি। নাকল অনীমক্না অঙম তান্নদুনা অনৌবা টেক্টিক্স শীজিন্নখি হায়না লৌনরি। এক্তিভিষ্ট ৫০০০ রোম্না থংন-থংননা ৪শুবা নুমিৎ ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু এয়রপোর্ট অদুগী এরাইভেল হোলদা চয়োম শানা লৈশিন্দুনা এয়রপোর্ট অদুগী থবক থৌরমশিংদা অকায়বা পীখি হায়না হোং কোং পুলিসনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়ানা দেমোনষ্ট্রেটরশিং অদু তকথোক্লবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদ্রা নৎত্রগা লৌখৎলোইদ্রা হায়বগী মতাংদদি পনখিদে।
সিটি অদুগী এয়রপোর্ট ওথোরিটিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হোং কোং ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী ওপরেসনশিংদা শাথিনা অকায়বা পীবদগী হৌজিক ফ্লাইট পুম্নমক কেন্সেল তৌরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পেসেঞ্জর খুদিংমক্না টর্মিনেল বিল্ডিংশিং য়ারিমখৈ থুনা থাদোক্লবসু পাউতাক পীখি।

## ট্রম্পকী মায়োক্তা সিগনেচর খোম্বগী কেম্প্যেন অমা চথখ্রে




করাকাস, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
য়ু এসনা ভেনিজ্যুএলাগী মথক্তা অহেনবা অথিংবা কয়া থম্লকখিববু য়ানিংদবা উৎনবগীদমক্তা লৈবাক অসি শিন থুংনা ট্রম্পকী মায়োক্তা সিগনেচর খোম্বগী কেম্প্যেন অমা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোকখি হায়না গভর্নমেন্টকী সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।
নো মোর ট্রম্প কৌবা দ্রাইভ অদু থাংজ নুমিত্তা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরো অমসুং মহাক্কী লোইনবী সিলিয়া ফ্লোরেসকী সিগনেচরশিংগা লোয়ননা হৌখি অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা কেপিটেল সিটি করাকাস য়াওনা লৈবাক অদুগী সেন্ট্রেল স্কৱারশিংদা মখা চথুখি হায়না সীনহুৱা রিপোর্ট অমনা হায়খি।
ঐখোয়গী লৈবাক্কী মরু ওইবা স্কৱার খুদিংমক্তা সিগনেচর দ্রাইফ চথবগী ৱাফম ঐখোয়না য়ানরে হায়না রুলিং য়ুনাইটেদ সোসলিষ্ট পার্টি ওফ ভেনিজ্যুএলাগী ইভেন্টস এন্দ মোবিলাইজেসন্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট দারিও ভিভাসনা ফোঙদোকখি।
কেম্প্যেন অদু নিকোলাস মাদুরোবু মফমদগী চিংথুনবগী পান্দমদা হ্বাইট হাউসনা ভেনিজ্যুএলান গভর্নমেন্টগী কেপিটেলগী সোর্সশিং থদৎনবা ইনৌ নৌনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অদুবু কন্দেম তৌনবগীদমক্তা পাঙথোক্লিবনি।
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থা অসিগী ৫ দা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা থোক্তুনা ভেনিজ্যুএলান গভর্নমেন্টকী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা এসেট পুম্নমক ফ্রীজ তৌনবা খঙহনখিবনি। করাকাসতা লৈবা ইষ্টেবান ফ্রানকো কৌবা পিটিসন অদুদা খুৎয়েক পীখিবা মীওই অমনা কেম্প্যেন অদু য়ু এসকী অথিংবশিং অদুনা ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্টতা অকায়বা পীবগী মহুত্তা লৈবাক মীয়ামদা ওইনা ৱাহল্লি হায়বসি ফোঙদোকপা মেসেজ অমা পীনবগীদমক্তনি হায়খি। গভর্নমেন্টনা সেপ্তেম্বরগী মাঙওইননা সিগনেচর মিলিয়ন ১৩ খোম্বগী পান্দম থম্লিবনি।

## টাইফুন লেকিমানা ইষ্টর্ন চাইনাদা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে, অশিবা মশিং ৪৪ য়ৌখ্রে



বৈজিং, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
টাইফুন লেকিমানা চাইনাগী নোংপোক থংবা সমুদ্র খোংবান্দা মখা তানা দোলর বিলিয়ন কয়ামুক্কী ওইগদবা মাল-চাংশিং মাঙহন-তাকহনখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক ফাওবদা শাথিরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং লমদম অদুদা ৪৪ য়ৌখ্রে হায়রি।
প্রোভিন্সিএল ইমর্জেন্সি ব্যুরোশিংগী দেতা অমসুং ষ্টেট মিদিয়াগী মতুং ইন্না ঝেজিয়াং প্রোভিন্সতগী মীওই ৭ অমসুং সান্দোং প্রোভিন্সতগী মীওই ৫ য়াওনা শাথিরবা নোংলৈ নুশিৎ অদুদা অহেনবা মীওই ১২ শিবগী রিপোর্ট লাকখি। অশিবশিং অসিদা নত্তনা অতোপ্পা মীওই ১৬না থিবা খঙখিদ্রে হায়বসি দেতা অদুদগী খঙবা ঙমখি। ষ্টেট ব্রোটকাষ্টর সী সী টি ভিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা অশিবশিংগী মশিং ৩২নি হায়না ফোঙখিবনি।
টাইফুন লেকিমা অসি থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা চাইনাগী ঝেজিয়াং প্রোভিন্সতা পুংদা কিলোমিটর ১৪৭ কী নুংশিৎকী খোঙজেনগা লোয়ননা থুংখিবনি। নোংলৈ-নুংশিৎ অসি লমদম অদুদা থুংলবা মতুং সান্দোং ফাওরগা সমুদ্ররোমদা অৱাং পাংনা শিৎখি। অহানবা শিখিবা মী অয়াম্বা পুং অহুমগী মনুংদা নোং এম এম ১৬০ ফাওবা কন্না চুবদগী ঝেজিয়াংদা নেচরেল দাম অমা নীংখায়বদগী থোকখিবনি।
সান্দোং ইমর্জেন্সি ব্যুরোনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোভিন্স অদুদা অহেনবা মীওই ১৮০,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে। হান্না ঝেজিয়াং অমসুং জিয়াংসু প্রোভিন্সশিং অমদি ফাইনান্সিএল হব সাংহাইগী মীওই মিলিন অমরোম শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রবনি। সান্দোংদগী লাকখিবা খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মহৈ মরোং হেক্তর ৩৬৪,০০০ অমসুং য়ুম ৩৬,০০০ হেন্না মাঙহন তাকহনখিবা য়াওনা টাইফুন অদুনা মরম ওইদুনা চাইনাদা দোলর বিলিয়ন ২.৫৫কী লন-থুম মাঙহনখ্রে।

## ‘য়ু এসনা অফঘানিষ্টান্দা তুং কোইগদবা অমদি ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইবা পিছ দিল অমা পুরকপা পাম্মী’



কাবুল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী ৱাথোক লোইশিন্নবগীদমক্তা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না অখন্ননা হাপ্পা স্পেসল এনভোই ঝালমে খালিজাদনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নংলক্লবা লৈবাক অদুদা ৱাশিংটন্না তুং কোইগদবা অমসুং ইকাই খুম্নিংঙাই ওইগদবা পিছ এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা পাম্মী হায়খ্রে হায়না অফঘান মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।
নোংমাইজিং নুমিত্তা খালিলজাদনা অফঘান মীয়ামদা ইদকী মেসেজ পীরদুনা ত্বিটরদা ইখি মদুদি, অফঘানশিংনা মরা তপ্পা ফিভম মখোয়গী লৈবাক্তা লাকহনবা পাম্মী হায়বসি মহাক্না মুন্না খঙই। অসিগুম্বা অফঘান মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিং অসিগীদমক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লেপ্পি অমদি তুং কোইগদবা অমসুং ইকাই খুম্ননিংঙাই ওইগদবা পিছ এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদা অকি-অখং পোকহল্লোইদবা সোভরেন লৈবাক ওইহন্নবা কন্না হোৎনরি।
স্কোলর কয়ানা ইদ অল-অধাগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি ঐখোয়না ইগো থদোক্কদবনি হায়বসিনি হায়না থাজনরি। অফঘানিষ্টান্দা ঐখোয়না মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লবা হোৎনরিঙৈসিদা লান্দা শরুক য়ারিবা মায়কৈ খুদিংমক্কী লুচিংবশিংনা ইদ অল-অধাগী অখঙ-অহৈশিংনা য়ানরবা অসিগুম্বা ৱাহন্থোক অসিবু থম্মোয়নুংদা চেৎনা থমগদবনি হায়না মহাক্না ত্বিটরদা ইখি।
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা অফঘান প্রসিদেন্ট অশ্রফ গানিনা প্রসিন্দেসিএল পেলেসতা ইদগী লাইশোন পাঙথোক্লবা মতুংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা লৈবাক অদুদা মরা তপ্পা ফিভম শোয়দনা লাক্লগনি অমসুং মসিদা চিংনিংঙাই ওইদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, য়ু এস অমসুং টালিবানগী মীহুৎশিংনা লৈবাক অদুগী চহী ১৮ গী লান অদু লোইশিন্নবা পিছ দিল অমা পুরক্লবা দোহাদা ওক্তোবর ১২ দগী নিগোসিএসন চথরকখিবনি।

## ‘খেন্নবা কয়ানা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরীদা অকায়বা থোকহল্লোইদবনি’



বৈজিং, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা অমগা অমগা মোৎ তিন্নদবা ৱাফমশিংনা লৈবাক অনীগী ওইবা মরীদা অকায়বা থোকহল্লোইদবনি হায়না ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবা ৱাং য়িদা ফোঙদোকখ্রে।
কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংবু বৈজিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈরিঙৈ চৈরক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা বৈজিংদা মখোয় অনীনা উনখিবা মতমদা জয়সঙ্করনা ৱাংয়ি লিদা ৱাফম অসি থমখিবনি। নুমিৎ ৩নিগী খোঙচৎ অমদা বৈজিংদ লৈরিবা জয়সঙ্করনা ৱাংয়িদা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা ঐখোয়গী মরক্তা মোৎ মান্নদবা ৱাখলশিং লৈরম্বা থোক্লবসু মদুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়েৎনবগী মরম ওইহন্দনবা ঐখোয়না ৱাখল তানা হোৎনমিন্নদুনা উংখৎনবা ফিভম খুদিংমক হন্থহন্নবা হোৎনগদবনি।
মালেমগী পোলিটিক্সতা ইন্দিয়া-চাইনাগী মরী অসিগী তোপ তোপ্পা মফম অমা লৈ হায়না পল্লদুনা জয়সঙ্করনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনীগী মরী অসি মালেমদা মরা চেৎপা ফিভম পুরক্লবগী মরু ওইবা ফেক্তর অমা ওইহনগদবনি।
ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টর জয়সঙ্করনা চাইনাগী মহাক্কী লেংমান্নবগা উনরিবা অসি ন্যু দিল্লিনা বৈজিংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পেসল ষ্টেটস লৌথোকপগা লোয়ননা লদাক য়ুনিয়ন টেরিটরি শেম্বগী খোঙথাং অসি ইন্দিয়াগী মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়না নাখৈ শেংনা খঙহনখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদনি। অমরোমদা ৱাংনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা উংখৎনরকপগী ফিভম খুদিংমক চাইনানা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না ফোঙদোক্লদুনা সাউথ এসিয়াদা মরা তপ্পা অমসুং তং তাবগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা ন্যু দিল্লিদা তকশিনখি।

## ‘দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটনা য়ুরোপকী হীদাক-লাংথক্কী সপ্লাইদা অকায়বা পীগনি’



ব্রসেলজ, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি) :
বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবগী ওক্তোবর ৩১গী মতম নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা হেল্থ প্রোফেস্নেলশিংনা দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম লাকপা মতমদা য়ুরোপ্তা হীদাক লাংথক খরা মরাং কায়না ফংদবগী ফিভম অমা লৈরিবসি হেন্না লুশিনহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌরি।
বৃটেনগী ফুদ এন্দ দ্রিঙ্ক লোবিনা হৌখিবা চয়োলদা করিগুম্বা দিল য়াওদবা মওং মরিল তাদবা ব্রেক্সিটকী ফিভম লাক্লবদি মতম শাংনা থম্বদা খুদোংচাদবা মনা-মশিং অমদি হৈ-রানচিংবা অশং-অমানশিংগী সপ্লাই ৱাৎপগী ফিভম অমা মায়োক্লরক্কনি হায়না চেকশিন ৱা হায়খিবনি।
হৌজিক্লা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনিশিংনসু হীদাক লাংথক্কী মতাংদা মান্নবা মওংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখিবনি। কম্পনি খরদি তঙাই ফরক্তবগী ফিভম লাক্লবদি হায়দুনা পোৎশকশিং অদুবু ফ্লাইট কয়াদা পুথোক-পুশিন তৌনবা অঙম্বা এয়রফ্রাইট কেপাসিটি রিজার্ভ তৌনখ্রে হায়রি।
তৌইগুম্বসুং দিল য়াওদবা ব্রেক্সিটনা হীদাক লাংথক্কী চৈথেং ফংহনগদৌরিবসি বৃটেনগী ৱাংমদসু থোকহনগদৌরি। বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টতা থাগৎপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬দা পাউন্দ বিলিয়ন ১২ রোমগী ওইগদবা লল্লোন ইতিকী ভোল্যুম ওইনা থা খুদিংগী বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অতৈ লৈবাকশিংদা হীদাক লাংথকশিংগী পেক মিলিয়ন ৪৫ রোম এক্সপোর্ট তৌই। এক্সপার্টশিংনা হায়রিবদি করিগুম্বা বৃটেন্না দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপা তারবদি য়ুরোপকী মফম কয়াদা হীদাক লাংথক্কী সপ্লাইগী থবকশিংদা শোয়দনা অকায়পা থোকহনগনি হায়বসিনি।